HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

হুয়েন লানপাও

Vol. 42, Issue No.344 | নিংথৌকাবা, লমতাগী ৫ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Monday, March 11, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রস সার্ভিসেসনা শীন্দুনা ইন্টেন্সিফাইদ পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন ষ্টেটকী থাক্তা হৌদোকখিবগী শক্তম অমা



থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা ইন্টেন্সিফাইদ পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন সী এম ও থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোক্তুনা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকখিবগী শক্তম



চুড়াচান্দপুর সেক্তর এ আরগী মীৎয়েং মখাদা ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা অসাম রাইফলসকী সিংহাট বট্টালিয়ন্না চথখিবা পলস পোলিও ভেক্সিনেসন কেম্পেনগী শক্তম



রিটয়ার্দ সিনিয়র গ্রেদ টিচর কে ঐচ তোম্বীনা ইবা মৈতে লৈমগী তাঙলবা নাৎ সংকৃতনগী শৈশকপা শৈশকপীশিং হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙবা



# এপ্রিল ১১ দগী মে ১৯ ফাওবা তাঙ্কক ৭ থোক্লা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সী): এপ্রিল ১১ দগী মে ১৯ ফাওবা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকখ্রে।

এপ্রিল ১১, ১৮, ২৩, ২৯, মে ৬, ১২ অমসুং ১৯ দা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা মীখল পাঙথোক্লগা মে ২৩ দা মীখলগী ফল লাউথোক্লগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২০ গী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৯১, অনীশুবা তাঙ্কক্তা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৩ গী কনষ্টিট্যুএন্সি ৯৭, অহুমশুবা তাঙ্কক্তা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৪ গী কনষ্টিট্যুএন্সি ১১৫, মরিশুবা তাঙ্কক্তা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৯ গী কনষ্টিট্যুএন্সি ৭১, মঙাশুবা তাঙ্কক্তা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি তরেৎকী কনষ্টিট্যুএন্সি ৫১, তরুকশুবা তাঙ্কক্তা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি তরেৎকী কনষ্টিট্যুএন্সি ৫৯ অমসুং তরেৎশুবা তাঙ্কক্তা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি নিপানগী কনষ্টিট্যুএন্সি ৫৯ দা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়রি।

লোক সভাগী অপূনবা সিট ৫৪৫ লৈবগী মনুংদা সিট ৫৪৩ গী মীখল পাঙথোক্লগা লেমহৌরিবা ২ অদুনা এংলো -ইন্দিয়ন কম্ম্যুনিটিদগী প্রসিদেন্টনা নোমিনেট তৌবনি।

ইলেক্সন কম্মিসননা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না এপ্রিল ১১দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্তা অন্ধ্র প্রদেশকী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ২৫, অরুনাচল প্রদেশকী ২, অসামগী ৫, বিহারগী ৪, সটিসগরগী ১, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ২, মহারাষ্ট্রাগী ৭, মণিপুরগী ১, মেঘালয়াগী ২, মিজোরামগী ১, নাগালেন্দগী ১, ওরিষাগী ৪, সিক্কিমগী ১, তেলঙ্গনাগী ১৭, ত্রিপুরাগী ১, উত্তর প্রদেশকী ৮, উত্তরখন্দগী ৫, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ২, অন্দমান এন্দ নিকোবরগী ১ অমসুং লক্ষদ্বিপকী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ১ দা মীখল পাঙথোক্লগনি।

এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা অসামগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৫, বিহারগী ৫, সটিসগরগী ৩, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ২, কর্নাটকাগী ১৪, মহারাষ্ট্রাগী ১০, মণিপুরগী ১, ওরিষাগী ৫, তামিল নাদুগী ৩৯, ত্রিপুরাগী ১, উত্তর প্রদেশকী ৮, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৩ অমসুং পুদুচেরিগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ১ দা মীখল পাঙথোক্কদৌরি।

এপ্রিল ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা তাঙ্কক্তা অসামগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৪, বিহারগী ৫, সটিসগরগী ৭, গুজরাতকী ২৬, গোৱাগী ২, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ১, কর্নাটকাগী ১৪, কেরলাগী ২০, মহারাষ্ট্রাগী ১৪, ওরিষাগী ৬, উত্তর প্রদেশকী ১০, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৫, দদর এন্দ নগর হবেলিগী ১ অমসুং দামন এন্দ দ্যুগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ১ দা মীখল পাঙথোক্লগনি।

এপ্রিল ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিশুবা তাঙ্কক্তা বিহারগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৫, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ১, ঝরখন্দগী ৩, মধ্য প্রদেশকী ৬, মহারাষ্ট্রাগী ১৭, ওরিষাগী ৬, রাজস্থানগী ১৩, উত্তর প্রদেশকী ১৩ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৮ দা মীখল পাঙথোক্লগনি।

মে ৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মঙাশুবা তাঙ্কক্তা বিহারগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ১, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ২, ঝরখন্দগী ৪, মধ্য প্রদেশকী ৭, রাজস্থানগী ১২, উত্তর প্রদেশকী ১৪ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৭ তা মীখল পাঙথোক্লগনি।

তরুকশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মে ১২ দা বিহারগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৮, হরিয়ানাগী ১০, ঝরখন্দগী ৪, মধ্য প্রদেশকী ৮, উত্তর প্রদেশকী ১৪, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৮ অমসুং দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৭ তা মীখল পাঙথোক্কদৌরি।

তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক ওইনা মে ১৯ দা বিহারগী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৮, ঝরখন্দগী ৩, মধ্য প্রদেশকী ৮, পঞ্জাবকী ১৩, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৯, চানিদগরগী ১, উত্তর প্রদেশকী ১৩ অমসুং হিমাচল প্রদেশকী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৪ দা মীখল পাঙথোক্লগনি।

মীখলগী মতম লেপখিবগা লোয়ননা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনবা হৌখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা থবক থৌরমশিং য়াওবা লিষ্ট অমা ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখি।

## এপ্রিল ১১ দা আউটরগী, এপ্রিল ১৮ দা ইন্নরগী ভোট থাদনরগনি

## ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনরে : সী ঈ ও



ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লেপ্পুকপা সেদ্যুলগী মতুংইন্না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যু-এন্সিগী মীখল চহীসিগী এপ্রিল ১১ দা পাঙথোক্লগনি। ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগীনা এপ্রিল ১৮দা পাঙথোক্লগনি হায়না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) মণিপুর পি কে সিংহনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা সী ঈ ওগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সী ঈ ও, পি কে সিংহনা হায়খি, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি লোক সভা মীখলগী সেদ্যুলশিং লাউথোকখ্রে। মণিপুরগী ওইনা অহানবা ফেজ অমদি অনীশুবা ফেজগী পাঙথোক্কদবা মীখলদা য়াওরে। আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীখলগী নোটিফিকেসন মার্চ ১৮ দা থোক্লগনি। নোমিনেসনগী অরোইবা নুমীৎনা মার্চ ২৫ নি। নোমিনেসন স্ক্রুটিনিনা মার্চ ২৬ তা তৌগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা মতম মার্চ২৮ নি। এপ্রিল ১১ দা ভোট থাদগনি। ভোট মশিং মে ২৩ দা থিগনি। ইলেক্সনগী প্রোসেসশিং মে ২৭ ফাওবদা লোইশিনগনি।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনা মীখলগী নোটিফিকেসন মার্চ ১৯ দা থোক্লগনি। নোমিনেসনগী অরোইবা নুমীৎনা মার্চ ২৬ নি। নোমিনেসন স্ক্রুটিনিনা মার্চ ২৭ তা তৌগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা মতম মার্চ ২৯ নি। ভোট এপ্রিল ১৮ দা থাদগনি। ভোট মশিং মে ২৩ দা থিগনি। ইলেক্সনগী প্রোসেসশিং মে ২৭ ফাওবদা লোইশিনগনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্সন সেদ্যুল লাউথোকপগা লোয়ননা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনরে। কোদ ওফ কন্দক্ট অসি ষ্টেট লৈঙাক, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি কেন্দিদেটশিংদা এপ্লিকেবল ওইগনি। মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অসি খুদক্তগী চৎনখিবগা লোয়ননা ঙাক্লা চৎকদবনি হায়রি।

মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইলেক্সনগীদমক তঙাই-ফদবা থৌরাংশিং লৌখৎলে। ষ্টেট অসিগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৮৬২ গী তঙাইফদবা থৌরাংশিং পায়খৎলে। হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা ভোটরশিংগীদমক ভোট থাদবদা খুদোংচানবা তঙাইফদবা থৌরাংশিং...মখা লামায় ৩ কলম৪

# ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সকী প্লেন কায়বদা ১৫৭ শিরে

নাইরোবি, মর্চ ১০(এজেন্সি): পেসেঞ্জর ১৪৯ অমসুং ক্রু মেম্বর ৮ তোংবা ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৩৭ পেসেঞ্জর জেট অমা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা ইথিওপিয়াগী কেপিটেল অদ্দিস অবাবাদগীনা কেনিয়াগী কেপিটেল নাইরোবি তম্না পাইবদা কায়বদগী মীওই ১৫৭ শিরে। ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট ঈ টি ৩০২ অদু কেপিটেল অদ্দিস অবাবাগী খা নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৬২ লাপ্পা লৈবা বিশোপ টুটাওন মনাক্তা কাইখিবনি হায়না এয়রলাইন্স অদুনা ফোঙদোকখি।

মপুং ওইবা পাউ লামায় ৯

# লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস): রিটয়ার্দ সিনিয়র গ্রেদ টিচর কে ঐচ তোম্বীনা ইবা মৈতে লৈমগী তাঙলবা নাৎ সংকৃতনগী শৈশকপা শৈশকপীশিং হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি ফোঙখ্রে।

উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদা লৈবা কোংব্রাইলাৎপম শ্রীশ্রী মদন মোহঞ্জি ...মখা লামায় ৩ কলম৬

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৫.১ °C | ১০.৮৬ °C |
| চান্দেল | ৩১.৩৭ °C | ১১.৮৩ °C |
| সীসীপুর | ২৫.৪৩ °C | ৯.৩৬ °C |
| ইম্ফাল | ২৫.৬৪ °C | ৮.৯৮ °C |
| সেনাপতি | ২৩.৬২ °C | ৭.৮৬ °C |
| তমেংলোং | ২৭.৫৪ °C | ১০.১৬ °C |
| থৌবাল | ২৩.৬২ °C | ১০.৭ °C |
| উখ্রুল | ১৭.১২ °C | ৭.৭৯ °C |
| মণিপুর | ৩১.৩৭ °C | ৭.৭৯ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.649488 |
| US Dollar | 70.002755 |
| British Pound | 91.113942 |
| Australian Dollar | 49.320725 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.414751 |
| Japanese Yen | 0.629973 |
| Malaysian Ringgit | 17.128398 |
| Australian Dollar | 49.320725 |
| Singapore Dollar | 50.777969 |
| South Korean Won | 0.061736 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.667401 |
| Thai Baht | 2.205874 |
| Myanmar Kyat | 0.04876 |
| Bangladesh Taka | 0.83520 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 33069.52 |
| Mumbai | – | Rs 33754.01 |
| Delhi | – | Rs 33796.79 |
| Kolkata | – | Rs 34042.78 |

## HL POLL

Q : Chahi Shuraba Meepung Khuding-mak Voter Listta Chal-hannabagi Thourang Mai Pakle haina Loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Nambul Turel Lu-Nalhannabagi Launch Toukhiba Project ashi Mai pakkani Khanbra?

Yes 15% No 85%

## অস! লোইরেহে!

ঐনা ঙসি ৱা ঙাঙলগা নখোয় অমত্তা খুবাক খুরক্লিবসি করিগীনো ?



ঙসিদি খুবাক খুনবা শেল য়েন্দে, অদুগীনি সার !

# 'মণিপুরী সিনেমানা নেসনল ফিল্ম এৱার্দ ৩৬ ফংখিবসি চাউথোকচনিংঙাইনি'

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস): তেল্লবা চহী ৪৭ কী মনুংদা মণিপুরী সিনেমানা নেসনল ফিল্ম এৱার্দ ৩৬ ফংবা ঙমখিবসি চাউথোকচনিংঙাইনি। লৈবাক অসিদা অতোপ্পা রিজনল সিনেমা অমত্তনা মতৌ অসুম্না শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা এৱার্দ ফংবা য়াওখিদ্রি হায়না ফেদরেসন ওফ ফিল্ম সোসাইটিজ ওফ ইন্দিয়া (এফ এফ এস আই) গী ভাইস প্রসিদেন্ট প্রেমেন্দ্র মজুমদারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটরিয়মদা নুমীৎ ৩ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা এফ এফ এস আই ইন্টরনেসনল ৱিমেন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ফেদরেসন ওফ ফিল্ম সোসাইটিজ ওফ ইন্দিয়া, ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিল্ম সোসাইটিগী ঈহৌ হায়বা হিরম অসিদা ৱা ঙাঙবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন ...মখা লামায় ৩ কলম৭

# এস টি লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা দিমান্দদা কৌখিবা পুং ৩০ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক্না মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ১০(ঐচএনএস): মীতৈ/মৈতৈবু সেদুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহল্লু অমদি মণিপুর লৈঙাক্না থাফম থোকপা রেকমেন্দেসন ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থাগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা কৌখিবা পুং ৩০ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক্না মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকখ্রে।



লাইনীং লাইশোন অমদি ইসেন্সিএল সার্বিসকী মীওই নত্তনা মী চৎনখিদে। মণিপুরগী মনুং অমদি মপাল লম ফাওদুনা চেনবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী

জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা ইম্ফালগী মরুওইবা লল্লোন ইতিক্কী মফম অমা ওইরিবা খ্বাইরম্বন কৈথেলদা মী অমত্তা কান্নখিদে। লম্বী শোরোক্তা অমদি পোৎ চৈ পুবা গাড়ীশিং অমত্তা চেন্নখিদে। বন্দ মনুংদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা চেকশিন্না ঙাক শেনখি। অদুবু বন্দ শৌগৎপশিংনা মফম কয়াদা লম্বী থিংদুনা টায়র মৈ থাবা, উ-ৱা ফৈজিনবা য়াওনা মফম কয়াদা মীয়াম্না লম্বী থিংখি।

খ্বাইরম্বনগী শামুমখোঙ এরিয়াদা কৈথেল নুপীশিং থোক্লক্তুনা লম্বী থিংখি। লোয়ননা অথুবা মতমদা এস তি গী দিমান্দ ফংহল্লু হায়দুনা খোল্লাউ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# চার্জসিট থাগৎখ্রবা পুলিস পর্সনেলশিংগী প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীদবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস): এক্সত্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎতা চৈন্নে হায়বগীদমক সী বি আই/এস আই টিনা চার্জসিট থাগৎখ্রবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা থিগৎনবা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীদবগী মতাংদা এক্সত্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্তিম ফেমিলিজ এসোসিএসন মণিপুর (ইভম) অমসুং হ্যুমেন রাইটস এলার্ট (ঐচ আর এ) না নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি।

ইভমগী সেক্রেটরিগী এদিনা য়াইখোম অমসুং ঐচ আর এগী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না সী বি আইনা চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রবা পুলিস পর্সনেলশিংগী প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীদবনা মরম ওইরগা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটশিংনা চার্জসিটশিং হন্দোকখিবা হৌরে।

ষ্টেট লৈঙাক্না অথুবা মতমদা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীবীনবা তকশিল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, এক্সত্রা জুদিসল ওইবা মওংদা মী হাৎপগী থৌওংবু ওফিসল দ্যুটিনি হায়না লৌবা য়াদে। গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা মফম লৌথোকপা ঙমদবা পব্লিক সর্ভেন্টশিংগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ২১ গী মখাদা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীবা মথৌ তাই। এক্সত্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎতা চৈন্নে হায়রিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা ওফিসল দ্যুটি পাঙথোকখিবনি হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা প্রোটেক্সন পীবীনবা ক্লেম তৌবা য়াদে।

মতিকময়াই লান্না শীজিন্নবা পব্লিক সর্ভেন্টশিং কনখৎনবা থৌরাং লৌখৎপা চুমদে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, সী বি আইনা মপুং ফানা থিগৎলবা মতুংদা চর্জসিট থাগৎখ্রবা পর্সনেলশিংগা মরী লৈননা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীবীয়ু হায়জবনি।

কেস অমগা মরী লৈননা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীবীয়ু হায়জরকপা মতমদা ষ্টেট লৈঙাক্না অথুবা মতমদা পীবা নৎত্রগা পীদবগী ৱারেপ লৌফম থোকই। প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীবীনবা হায়জরক্লবা মতুং থা ৩ হৌখ্রবদি সেঙ্কসন পীরে হায়না লৌফম থোকই। মতম চানা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীদবনা অচুম্বা ৱায়েল চথনবা হোৎনবদা খুরৌ থাংল্লে। থৌওং অসিনা লৈঙাক্কী মফমদা মীয়াম্না থম্বা থাজবা পুম্বা মাঙখিনবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই হায়নসু ...মখা লামায় ৩ কলম২

# অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস): লমদমসিগী হৌরক্লিবা মীরোলবু তীঞ্জং-কায়জংদবা ওইহন্নবগী পান্দমদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র সার্ভিসেসনা শীন্দুনা পায়খৎপা ইন্টেন্সিফাইদ পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন (আই পি পি আই) পোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকপা হৌখ্রে।

ইন্টেন্সিফাইদ পলস পোলিও ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রাম অদু হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হৌদোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর কে রাজোনা হায়খি, লমদমসিদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংবু পোলিও লায়নাদগী ঙাকথোক্নবা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎপনি। ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা হেল্থ সেন্টর অমদি সব সেন্টরশিং য়াওনা অঙাংশিংদা পোলিও পীথকপগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। মমা-মপা ওইরিবশিংনসু পীক্লিবা অঙাংশিংবু পোলিও পীথকপা কাউবীগনু। পোলিও পীথকপগী প্রোগ্রাম অসি য়াম্না মরুওইবনি লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী সার্ভিসেসকী এদিসনল দিরেক্টর স্লাউদ্দিন অমসুং ইম্ম্যুনাই-জেসনগী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা. নন্দকিশ্বরসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অহানবা এম আরদা হাংলিবা হেল্থ সেন্টরদসু অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকখি। লম্ফেলগী আর দি ৱিংদসু ফেমিলি ৱেলফেয়রগী মীৎয়েং মখাদা সী এম ও, ডা. ঐচ কুল্লা অমসুং দি এফ দব্লিয়ু ও, ডা. টি নিলাকান্তনা পোলিও হিদাক পীথকপগী প্রোগ্রাম হৌদোকখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ওইনসু ইন্টেন্সিফাইদ পলস পোলিও ইম্ম্যুনাই-জেসনগী...মখা লামায় ৩ কলম৭

# বি জে পি : মীরেপ ওইগদবশিং অথুবদা লাউথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস): মীখলগীদমক বি জে পিনা শেম-শারে, মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটরগী মীরেপ থুনা লাউথোরক্লগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ভবানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা কেএচ ঐস ভবানন্দনা হায়খি, ইলেক্সনগী মতম লাউথোরকপা অসি তরাম্না ওকই। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিগীদমক বি জে পিনা শেম-শারে। মণিপুরদগী এম পি অনী পুথোক্লবা হোৎনগনি। মণিপুরগী ওইনা অহানবা ...মখা লামায় ৩ কলম৬

### কম্মান্দো পর্সনেল ১২ চেন্নবা দ্রগ কেস

# কোর্টনা সী বি আইগী আই ওদা ফাগৎখিবা দ্রগ অমসুং নোংমৈশিং পুথোরক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৩ গী এপ্রিল ২৮ গী অয়ুক পুং ৬ লোম তারকপদা পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী ন্যু বিল্ডিং মমাঙদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত পুলিস কম্মান্দোগী সব-ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস এল ধনবিরনা লুচিংবা টিম অমনা মোরে কম্মান্দো পোষ্টতা লৈবা ওফিসর অনী য়াওনা পর্সনেল ১১ দগী য়াম্লবা দ্রগশিং ফাগৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা কম্মান্দোগী ওফিসর ইন-চার্জ (মোরে) য়াওনা অপূনবা পর্সনেল ১২ অমদি অতোপ্পা মরি পুন্না একুজ ১৬ কী মথক্তা চথরক্লিবা ৱায়েলদা কোর্টনা নুমীৎতুদা ফাগৎখিবা দ্রগশিং অমদি কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা পায়রকখিবা নোংমৈ পুন্নমক পুথোরক্নবা খঙহনখ্রে।



কোর্টকী ওর্দর অসি থৌদোক অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসকী চার্জসিটতা য়ুম্ফম ওইদুনা মসিগী ৱায়েল চথরক্লিবা ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্টকমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ, এন দি এন্দ পি এস (ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট), মণিপুরনা পীখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ককচিং পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বরনা ৬২(৪)২০১৩ নি। কেস অসি এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১/২৯ অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন ২৭ কী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কেস অসি সী বি আই (কোলকাটা) দা শিন্নরবা মতুংদা এজেন্সী অসিনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস নম্বরনা আর সী-০৮/এস/২০১৩ নি। কেস অসি এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫ কী সেক্সন ৯ এ, ২৫, ২৫ (এ) অমসুং ২৯, ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

STAFF WANTED

Applications are invited from the willing candidates for the following post.

DETAILS OF POST :

| Post | Qualification | M/F | Exp. | Age | No.of Post | Scale of Pay |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. Accountant | B.com/M.com | M/F | 3-5yrs | 30&above | 1 | Negotiable |
| 2. Collector | XII | M | - | 30&above | 4 | Negotiable |
| 3. Reception | XII | F | - | 30&above | 2 | Negotiable |
| 4. Caretaker | VIII | M | - | 40&above | 1 | 9000 + Incentive |
| 5. Security | VIII | M | - | 30&above | 2 | 6000 + Incentive |
| 6. Driver | VIII | M | 3-5yrs | 30&above | 10 | 9000 + Incentive |

Imphal Finance Co-op. Thrift & Credit Society Ltd.
H.O.Loklaobung,B.O.M.G. Avenue,Paona Bazar & Bishnupur Bazar.
Note: Last date of form submission is 20/03/2019

HL-P/6007/27/2-31-3

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫